থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# নীংশিংবা মরক্তগী লীৎখৎলকপা থৌদোক অমা

**লম**-কোয়বা, ত্রাভেল্লিং হায়বসিগী কান্নবা করিনো? অঙাং ওইরিঙৈ, পরিক্ষা খুদিংগী শোয়দনা হংলগদবা, মীতৈলোন অমদি ইংলিস সবজেক্টকী ৱাহং অমা ওইরকপা 'এসে/রচনা ইবা' হায়বদুগীদমক পারকপদা 'ত্রাভেল্লিং/লম কোয়বা' হায়বা হীরম অসি য়াওরকপনা - পাখঙ ফারক্লবা মতমদা পামজবা থবক অমা ওইরকখি। পামজবা অমা ওইরবসু থবক ওইনা পাঙথোকপদি ঙমখিদে। মরমদি, 'লম কোয়বা' হায়বা থবকসি শেল তিংবা থবকনি। ঈনাক খুনবা ইমুংগী মচা-মশু নৎত্রবদি ঙম্লবা থবক নত্তে। মরম অসিনা, 'লমকোয়-ৱারী' হায়না খঙনবা তোঙানবা মখলগী খূৎই অসি ঐখোয় শ্বায়দদি কনাগুম্বা অইবা অমনা মীগী মীরম অমদা করিগুম্বা থবক অমা/এসাইনমেন্ট অমগীদমক চৎলুবদা থেংনরকপা/এনকাউন্টর তৌরকপা থৌদোক ৱাথোক খরা পাউদম্বদু ওইনা লৌনৈ। হৌদোকপসু অসিগুম্বা খূৎইনা হৌদোরকপনি। তশেংনা 'লম কোয়বা' হায়বই ৱাখলদুদা চৎকে/কোয়গে হায়বই ৱাখলদুদা চৎলুবা/কোয়রুবা অইবদি খরতনি। লম কোয়বা চৎপা হায়বসি তশেংবদি এদভেঞ্চর মখল অমনি। ৱিল্লিয়ম দার্লিমপল'না ইবা 'ইন জনাদু' হায়বা লাইরিক্তুদা শৈথারিবা 'জনাদু' য়ৌনা চৎপই খোঙচৎতা থেংনখিবা, মশানা চঙবা য়াদবা, অথীংবা লৈবা মফমদু ফাওদুনা চৎপগী কংফাল খোঙচৎ অদুগী ৱারীদু পাবই মহাওদুনা অমনি। ঐখোয়গী লোন'দা ইবা, অসিগুম্বা লাইরিকশিংগী মনুংদা ঐনা খ্বাইদই পামজবদি কনাদা'দা খুন্দাখ্রবা তামো সোনী (মনিহার) গী 'খোঙচৎ' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অদুনি।

ইবা হৈবা 'অইবা' অমা নৎত্রবসু, ঐহাকসু নহা ওইরিঙৈ পাল্লকখি - মালেম শিন্না কোয়রগা, হৌরকফম-জাৎ-লোন-কুচু-মান্নদবা ময়ামদুগী মরক্তা কোরৌ নুমিৎ কয়ানি কোয়মিন্নরুবা। ন্যু য়োর্ককী অতিয়া পকপা য়ূমদুদদি চৎনীংখিদে, ফিজিগী ঈথৎ অদুদা, সমুদ্র মপানগী খাংপোক্তুদা অহিং অমা তূম্লুবা, এস্কিমোশিংগী য়ূম 'ইগ্লু' গী মনুংদা য়ারেক্লুবা, দেদ সি (অশিবা সমুদ্র) গী দেন্সিটি ৱাংবা ঈশিংদুদা তাউফিং তাউফিং হিপ্লুবা... মঙফাওনখিদ্রবা মোন্দ্রং খরনি। নহা ওইরিঙৈদই মঙলকপা, থবক রিটায়র্দ তৌর'ফাও মঙফাওনদ্রবসিদদি খঙলে লৈ - মপোকসিগী ওইনদি মঙ ওইনা লৈহৌরনি।

ইন্দিয়া মনুংদা লৈবা ষ্টেটশিংগী মরুওইবা মফম অয়াম্ববুদি য়ৌরুরে, কাশ্মীর/সিমলা নত্তনা। অদুবু লম-কোয়বা মীশক অমা ওইনা নত্তবনা, লমকোয় ৱারী অমা ওইনা ইথোক্ল বই মচাক অদু ফংখিদে। অহৈবা অইবশিংনদি কৈসু লৈতবা ৱাফম অমদইসু ইনবা মচাক শাগৎপা ঙম্মী। থৌদোক মচা অমনসু অচৌবা ৱারী ওইহল্লি। মখোয়দুগী থোইদোকপা মতৌ অদু লোন্না কল্লকচবা পোক্লুরি। মখোয়গী গুণ'দু চেল্লম্লবা অচৌবা, অফাওবা ৱারী (উপন্যাস) অমগী মচাক্তুদি হেন্দোক্লা লৈ ইনাক্তা। ইবা হৈতবা লমকোয়বা মী ময়ামদুগী মরক্তা অমা ওইনীংলুবনি, লমকোয় ৱারী ইবা নত্তে পাম্লুবা।

য়ু পিদা লৈরিঙৈ (এগ্রিকলচর তম্লিঙৈ) নোংমা থোকখি থৌদোক অমা। ঙসি ফাওবা কাউদ্রি। রিজার্বেসন ফংদবা কম্পার্টমেন্টতা তোংলগা দিমাপুর ফাওবা চৎকদবা ত্রেনগী খোঙচৎ অদু তন্দুনা, শারবা কালেনগী মৈশা খাঙদুনা কালেন ছুটিদু হোষ্টেল মনুংদা খাঙহৌখি, ঐগী মরুপ অনীগা ঐখোয় অহুম। হোষ্টেল-মেস থিংখিদুনা 'লক্ষ্মি-লোজ'দা লঞ্চ-দিন্নর অনীমক চাবা চৎখি নুতিগী। নোংমা, লক্ষ্মি-লোজ'দই থোক্লকপদা মুসলিম হোটেলগী মোহম্মদ জমাল'না কৌশিল্লকখি - 'ফোরেনর অনীখক চাক চাবা চঙলক্লিবসিগা লোন ফাওনদ্রে, করি পাম্লিবনো অমুক্তা হংবিয়ু'। ঐ ঙকখি - য়ু পিগী লৱায়-লমসিদা করি য়েংবা লাক্লিবনো! চাক তোক্লবা মতুংদা মখোয়না লৈরিবা 'দিলাইট হোটেল' ফাওবা লাকমিন্নখি। হংখি 'কৈদৌবা লাকপনো, চৎলুবা য়াদ্র আগ্রাদা'? খুল্লকখি, মখোয় স্কুল-তম্লিবা মহৈরোয়নি, মালেমগী অপাম্বা মফম অমা খল্লগা, মফমদুদা চৎলুরগা থেংনরকপা এক্সপরিয়েন্সকী রিপোর্টতু স্কুলদা লানখৎলুদৌরিবনি, মখোয় নোর্ৱেদগীনি, 'ইন্দিয়ন ভিলেজ' খল্লুবদগী লাক্লিবনি, অচঙবা খরচ গভর্ণমেন্ট'না পুথোকই। ত্রোন্দ অমদি এন্দরসন - নুপা অমগা নুপী অমগা - ঐখোয় নম্মীন্নবা ফোটোদু অমনবা এলবমদুদা য়াওরি ঙসিসু - ১৯৭৬!

ওল মণিপুর বেঙ্ক এমপ্লোয়ীজ এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরকপা নৌরিঙৈ মতম, হাওরা - বোম্বে - রেল খোঙচৎ অমগী ৱারী মতেক অমগা কাউঙমদনা লৈবা ঐগী ৱারীশিংগী মরক্তা অমনি। গীতাঞ্জলি এক্সপ্রেস - মতম অমদা মমিং চৎপা অনানবা ত্রেন ওইরম্বনি। ঙসিদি ইনি দয়ন রেলৱেবু চেন্থরিবা ত্রেন অমা ওইরবনি। ত্রেন তোংদুনা ইথন্তা লমশাং চৎপসি ইন্দিয়াগুম্বা লম অমদদি তশেংনমক খুদোংথীনীংঙাই মশকনি। সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীটিং চৎপা ওইবনা ইরন্নাই পৈশানা চৎপ-খোঙচৎ ওইখিদে। চৎখিবদু এয়র-কন্দিসন কম্পার্টমেন্ট'তনি। ঈপাং কনাসু য়াওরোইদবনা লাইরিক অমা ঈপাং ওইনা লোয়নখি।

বিহারগী ষ্টেসন অমদগী কাখৎলকখিবী হনুবী অমা ঐগী থংনবা সিট'তুদা ফম্লরে। মফি-মরোল তনান তনাল্লি, ঈনাক খুনবা ইমুং অমদগী ওইরম'নি, কুচু কুমেন বিহারি নুপী মান্দে। হেক ফমথবগা হংলকখিবনি ...'বেতা! কহাঁ জা রহে হো... (কদায় চত্তৌরিবনো, করি লমদৈনো, করি মিং কৌই, করি থবক তৌই - অসিনচিংবা)। মাগী মমিংসু হংহৌবনি, কাউথোকখ্রে কুইরবনা। মাদি নাগপুরদা মচানুপীগী মনাক্তা চৎলিবনি হায়। মচানুপীঙাক্তা অহুম পোকই হায়, য়াইমদু এয়র হোষ্টেসনি এয়র ইন্দিয়াগী ইন্টরনেসনল সেক্তরদা পাইবনি, বোম্বেদা ময়ূম লৈবনি উন্নৌ হায়দুনা ফোন নম্বর পীরকখি (মোবাইল লৈত্রিঙৈ ৱারীনি)। ৱারীদি শানরকখিদে।

মমশিল্লক্তুনা, নুমিদাংগী চরা নোংখন্ননবা (পেন্ত্রিকার য়াওদবনা) 'ষ্টেসন্দগী অচাপোৎ খরা লৈরুগে পোৎ অমুক্তা য়েংবীরম্মু' হায়রুবদা ইমাদুনা হায়রকখি...'ষ্টেসন্দা য়োনবা স্ত্রিট-ফুদ চারুনু, হকচাং শোক্কনি...ঐগী ইচানা হাপ্লকপা অচাপোৎসি চামিন্নসি হঙ্গৌইব্রা'...? মাগী খাউদু হাংদোক্লগা ষ্টিলগী তিফিন বোক্সতা হাপ্লকপা তল অমদি এঞ্জাং মথেল নীনি-হুমনি থম্লবসু পুমথরোইদবা মথেলনি। মহাউ অদু ঙসি ফাওবা নীংশিংলি। মহাক্লা মচেৎ অমখক চারগা ঐনা লাম্না চাবদু 'মচানা চাবা য়েংবগুম' য়েংখিবদু নীংশিংলি। মহাক্লা নাগপুরদা কুমহৌরগা, তিফিন বোক্সকা লোয়ননা অরেম্বদু লোইনা পীথোক্লমখি। ঐহাকপু তাইবঙপান থাদোক্লমদাইদা নীংশিংলমগনি শোয়দনা। মাগী মচা নুপা য়াওদে হায়বনি। খোঙচৎ অমগী অসিগুম্বা ৱারীসি হায়-ফায়-লাইফকী এরোপ্লেন খোঙচত্তদি কৈদৌনুংদা থেংনরোই।



লৌশিং পুক্কৈ

# থাঙ থারগা অঙাং পোকপা : করিদা কান্নবগে, খুদোংথিনিংঙাই ওইবশিংনা করিনো ?

**অ**ঙাং পোকপা মতমদা মহৌশাগী ওইবা মওংগা থাঙ থাবগা করম্বনা হেন্না শাফবগে হায়বসি মীপুম খুদিংমক, মরু ওইনা মমা-মপা নৌনা ওইগদৌরিবা নুপা-নুপীশিংনা লাংতক্লবা অমগা লোয়ননা খঙনিংবা ৱাফমনি। থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদবা তারবদি মহৌশাগী ওইবা মওংদা অঙাং পোকপনা ফবা হেল্লি। মসিনা অঙাং মখা তাগে খল্লবসু খুদোংচাবা হেল্লি।

অঙাং পোকপগী ৱাঙাকনত্তনা থাঙ থাবা হায়বসিমক্তংবু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা রিস্ক খরদি অদুমক মায়োক্লবা মশানা তাবনি। অদুম ওইনমক মাঙজৌননা থৌরাং তৌরগা নীংথিনা পাঙথোকপা তারবদি থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদে। করিগুম্বা কান্দা অঙাং নৎত্রগনা মমাগী পুন্সি কন্নবগীদমক তঙাইফদনা থাঙ তাবা য়াওই। হায়রিবা ফীভম অসি ওইবা তারবদি অনীরক হন্না খনথরুবা তৌদনা থাঙ থাফম থোকই।

সিজারিয়ন সেক্সন হায়নসু খঙনবা থাঙ থারগা অঙাং পোকপদা থেংনবা য়ারিবা খুদোংচাদবশিংদি থাঙ থাখিবা মফমদা মতম খরা অদুমক চৈনাখোল ফাওদুনা লৈবা, ওইশিনবদা মতম চঙবা মরম্না মহৌশাগী পুন্সিদা থুনা হঞ্জিল্লকপা ঙমদবা অমসুং লাইজৌবা অসিনচিংবনি। কনাগুম্বা দাইবেটিস নাবা নৎত্রগনা হকচাংগী অরুম্বা অমদি অনোয়বা হেনবা নুপীশিংদনা অমুক্লা হেন্না খুদোংচাদবা অসি থোক্কল্লি। কনাগুম্বা নুপী খরদি য়ুটেরসকী লাইনিংদা ইনফেক্সন তৌরকপা য়াওই। মরু ওইনা অঙাং পোক্লমদাইগী পুক য়েকপা হৌরত্তিক্রিঙৈদা হান্না ঈশিং কায়রকপা তারবদি খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই।

কনাগুম্বা নুপী খরদি মপান থোকপগী মরীদা ইনফেক্সন তৌরকপা য়াওই। ওপরেশন তৌরমদাইদা ব্লদর হাঙহন্নবগীদমক মপান থোকফমদা অপাবা ট্যুব (কেথেটর) অমা থিংজিনবনা মরম ওইরদুনা য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন (য়ু টি আই) তৌহল্লকপনি।

মখল খুদিংমক্কী ওপরেশন্না হকচাং মনুংদা ঈ মচেৎ ফমজিল্লকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্ল হল্লি। করম্বা মফমদা ঈ ফমজিল্লকপগে হায়বদুগী মতুং ইন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভম ওইহল্লকপা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা করিগুম্বা থবোম্বী (লংস) দা ঈ ফমজিল্লক্লবদি পলমোনরি এম্বোলিজম থোকহল্লক্তুনা শিবা ফাওবা য়াই। ফীভম অসি মায়োক্লবা তারবদি লোক তোয়না খূরকপগা লোয়ননা চনিং তানা নিংশা-শ্বর হোনবা য়ারক্লোই অমসুং খুবোমদা পোমখৎলক্তুনা চৈনাখোল ফাওরক্কনি।

থাঙ থারগা অঙাং উনবদা মায়োক্লরকপা য়াবা অতৈ খুদোংচাদবশিংদি পুক মপাদা লৈবা টিস্যু মশেল নপশিন্নরকপা, নর্ভশিং অমাঙ অতা থোকপা অমসুং পঙথনবা হীদাক থারুবগী মতম শাংনা হৈনিংবা পোক্তংবা অসিনচিংবনি। মসিগীসু মথক্তা থাঙ থারগা পোকপা অঙাং অয়াম্বা নিংশা-শ্বর হোনবা ঙমদবগী অৱাবা মায়োক্লরকপা য়াই। মমাগী পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংগী থবোম্বী মপুং ফানা শেমগৎপা লোইদ্রিঙৈদা থাঙ থারগা পোক্লুবদগী নিশা-শ্বর হোনবদা অৱাবা মায়োক্লরকপনি। মসিগীসু মথক্তা থাঙ থারগা পোকপা অঙাংশিংদি হেক পোকপগা মমাগী মনাক্তা লৈবা ফংদবা মরম্না খোল্লাং থকপা ফংদে। মরম অদুনা খুৎশেমগী শঙ্গোম্মা য়োকপগী ফীভমদা লাকই।

পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংগীদমক্তংদি মমাগী খোল্লাংদগী হেন্না ফবা চীঙ্গাক অমত্তা লৈতবা মরম্না খুৎশেমগী শঙ্গোম্মা য়োকপা অঙাংশিং তুংগী পুন্সিদা মশা ফৎকন্দে। চাউরক্লগা হকচাংগী অরুম্বা অমদি অনোয়বা হেনবা মীওইসু ওইগল্লি। অদুম ওইনমক থাঙ থাবগী কান্নবা খরসু অদুমক লৈ। মরু ওইনা অপাম্বা মতমদা ঈশাগী খুদোংচাগদবা য়েংলগা অঙাং পোকপা য়াই।

অঙাং খাউ নাম্থরকপগী খুদোংচাদবসু ঙাকথোকপা ঙম্মী। মতৌ অসুম্না অমাঙ-অতোং লৈবা তারবসু অঙাং অমদি মমা অদুগী শাফগদবা য়েংলগা করম্বা মওংদা অঙাং পোক্কদগে হায়বদু লেপথোক্কদবনি।



# ইন্দিয়াগী নীং-খা তম্বা নুমীৎ থৌরম শরুক য়ারোই : মুসু



ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক হৌজিক ভাইস চাঞ্চেল্লর লৌথোক্ল বগী মতাংদা লৈরিবা অচৌবা ইস্যু অসিনা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংদা য়াম্না চাউনা অকায়বা পীদুনা লৈরিবা তাঞ্জা অসিদা মণিপুর লৈঙাক অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা করিগুম্বা পোজিটিব ওইবা থবক অমত্তা পায়খৎলক্তবনা মরম ওইরগা লাক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী নীং-খা তম্বা নুমীৎকী থৌরমদা শরুক য়ারোই হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) না ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মনুংদা লৈবা মুসুগী ওফিসতা ঙসি নুমীদাংৱাইরম পাউমীশিংগা উনবা অমদা মুসুগী প্রসিদেন্ট এম দয়াননদনা মখা তানা হায়, লাক্কদৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্ট দে অসি মুসুনা শরুক য়াদবখক নত্তনা তোঙান তোঙানবা মণিপুরদা লৈরিবা মহৈলোয়শঙশিংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনসু হায়রিবা ইন্দিপেন্দেন্ট দেগী থৌরম অসি শরুক য়াবীগনু।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইস্যু অসিনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংনা অৱাবা চৈথেং কয়া অমা নংলিবা অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পোজিটিব ওইবা করি থবক লৌখৎপীরিবগে হায়বা ৱাহং হংলদুনা মহৈরোয়শিংগী মহৈ-মশিনগা মরী লৈনবা পোজিটিব ওইবা থবক লৌখৎপীদনা লৈরিবা ফীভম অসিনা অদুম মখা শাংথরকপা তারগদি লৈঙাক পায়রিবা গভর্ণর অমদি সী এম ফম কোন্দুনা লৈবগী মতম ওইদ্রে। মহৈরোয়গী তুংগী পুন্সিদা শোয়রক্কদবা ময়াম অসিনা মাঙদা থমজরগা ইস্যু অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা মতিক চাদবা লৈঙাক্লি হায়না মুসুনা লৌই। অদুনা মতিক চাদ্রবা লৈঙাক্কী ফম পায়বীরিবা গভর্ণর অমদি সী এম ফম থাদোকপা মতম ওইরে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মুসুনা ভাইস চাঞ্চেল্লর লৌথোক্লনবা চঙশিল্লক্লিবা থা ২ হেঞ্জিল্লক্লবা খোঙজং অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা সন্দে গার্জিয়ান হায়বা পাউচে অমখক্লা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না ভি সীগী মথক্তা করিগুম্বা মরাল অমত্তা লৈরমদ্রে হায়না ফোঙলক্লিবসি অঙকপা ফাওই অমসুং ৱাফম অসি মুসুনা য়াবা ঙম্লোই। হায়রিবা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটি অসি জুন ১২ দা শেমখিবনি। অদুনা জুন ১৭ তা মণিপুরগী জষ্টিস অমা য়াওদুনা ইনৌ নৌবা ওইনা শেমখিবনি। লোয়ননা হায়রিবা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটি অসি ইন্দিপেন্দেন্ট ওইবা অমদি হায় লেবেল ওইদবা মরম্না মুসু, মুটানা য়াবা ঙম্লোই হায়বা ৱাফম থমখ্রবনি। কম্মিটি অসিদা য়ুনিভর্সিটিগী মায়কৈদগী কোওপরেট তৌরোই। ভি সী লৌথোকপনা অরোয়বা দিমান্দনি হায়বা ৱাফম থমখ্রবনি।

চৈরকসিদা, সন্দে গার্জিয়ান হায়রিবা পাউচে অসিনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অঙকপা ফাওই। ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটিনা জুন ১০ দগী থিজিনবা হৌই হায়বা ৱাফমসু পাউচে অসিদা পল্লি। অদুবু মুসুনা থা ২ হেন্না চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী মনুংদা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটি অসি নোংমত্তসু লাকখিদে। মরম অদুনা পাউ অসি করম্বা সোর্সতা য়ুস্ফম ওইদুনা ফোঙলিবনো হায়বদু পাউচে অসিনা নুমীৎ নীনিগী মনুংদা মতিক চানা ফোঙদোকপীদবা তারগদি পাউচে অসি মণিপুরদগী থিংজিল্লগনি।

লোয়ননা মুসুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিং অসিদা মতেং পাংবীরিবা সী এস ও, ক্লব, মৈরা পায়বী, মহৈরোয় লূপ অমদি তোঙান তোঙানবা লূপশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মখা তানা মুসুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদসু লূপশিং অসিনা মপুং ফানা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

# সাইন্টিফিক বী কিপ্পিংগী ত্রেনিং লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

নিতি আয়োগ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তোঙান তোঙানবা লমদা কুমজা ২০২২দা লৌমীশিংগী ইনকম শরুক অনী হেনগৎনবগী পান্দমদা লৈবাক অসিগী শোখনা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট অনী ত্রেনিং পীনবা খনগৎপদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট য়াওরক্তুনা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভিলেজ অনী খনগৎলগা অহানবগী ওইনা থা অসিগী ১৬তগী ২২ ফাওবা চান্দেল খৃষ্টানগী খোই য়োকপা মীওই ২৫দা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা খোই য়োকপগী ত্রেনিং পাঙথোকখ্রবা মতুংদা অনীশুবা ওইনা থা অসিগী ২৫দগী চথুরকপা ত্রেনিং লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকপনি।

ত্রেনিং মনুংদা রিছোর্স পার্সনশিংনা করম্না মায় পাক্লা অমদি শেন্দোং লৈনা খোই য়োক্কদগে অমদি খোই য়োকপা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা পাঙথোক্কদবা থবক অমনি হায়না তাকপী তম্বীখি। ত্রেনিং অসিদা শরুক য়াখিবা ত্রেনিশিংদা সার্টিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা এলেভেন পান্থা দি সী সী চান্দেলগী এ দি সী মেম্বর এস ঐচ মংলেম মোন্সাংনা চীফ গেষ্ট অমসুং জাফৌ ভিলেজকী চীফ মাইপাকঙম মোংশাংনা প্রসিদেন্ট অমদি দল্লিয়ু হেমা সিংহ মোংশাং এসিষ্টেন্ট চীফ জাফৌ ভিলেজ অমদি এস রোবিন ভাইস প্রসিদেন্ট হাওমি রিছার্স গিল্ডনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ত্রেনিং অসিবু শিল্লিবা ইন্টিগ্রেটেদ বী কিপ্পিং দিভলপমেন্ট সেন্তর প্রোজেক্টকী প্রিন্সিপাল ইনভেষ্টিগেটর ডা. খুমুকচম ইবোহলনা হয়িংখোইগী পোথোকশিং খোইহি, খোইরু, খোইগী গম অমসুং রোয়েল জেলিগী কান্নবনচিংবগী মরমদা ৱা ঙাঙখি। খোইগী পোথোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা অহেনবা ইনকম লাক্লবা হোৎনবদা নত্তনা লৌউ-শিংউ, হৈ-রা, মনা-মশিং অমদি মহৈ-মরোংগী পোথোক পুথোকপদা হয়িং খোইনা লৌরিবা থৌদাংবু খঙজিন্দুনা খোই উপু মশীং হেনগৎনবা হোৎনসি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

# সাই-কনেক্ট ক্যুইজগী রিজল্ট

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিলনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৯ দা মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজদা পাঙথোকখিবা সাই-কনেক্ট রিটর্ন ক্যুইজ কম্পিটসনগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে।

পূন্না মহৈরোয় ৩২বু মথং ষ্টেজগী সাইন্স-কনেক্ট প্রোগ্রামগীদমক্তা খল্লে। অকূপ্পা মরোল মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিল অসিগী ৱেবসাইট www.mastec.nic.in দগী খঙবা য়াগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# থৌবালদা মহৈরোয়শিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা চাউনা চৈথেং পীরিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা মহৈরোয়শিংবু নে তানা মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু হায়না ঙসি প্রাইভেট স্কুল দিভলপমেন্ট কাউন্সিল থৌবালনা কাউন্সিল অসিগী মনুং চন্না লৈবা স্কুলশিংদা স্লোগান কয়া লাউদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

মহৈরোয়শিংনা মশা মশাগী স্কুলশিংদা মেক এদ্যুকেসন ফ্রী জোন, ইমিদিএট সোল্যুসন ওন প্রজেন্ট ইস্যু এন্দ প্রোব্লেমস ওফ বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১, ইমিদিএট সোল্যুসন ওন ভি সী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, দিসক্লোজ ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট ওন জি ও আই, রিলিজ আর এস এফ ভোলুন্টিয়র, ষ্টোপ টোর্চর ওন ষ্টুদেন্টস কম্যুনিতি হায়বা প্লে কার্দশিং শীজিন্নদুনা খোল্লাউ কয়া লাউখি হায়রি।

# নুপী মরুপনা অৱাবা ফোঙদোক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

হৈঙাং এ সীগী মনুং চনবা লাইরিকয়েংবম লৈকায়দা লৈবা পালুংবম পুন্যবতিনা থা অসিগী ২৮দা লৈখিদবদা ওল মণিপুর নুপী মরুপনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ঙরাং ইরাবত ভাবন্দা পাঙথোক্তুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

লৈবাক্কী থৌরম থৌগাই কয়াদা হকথেংননা শরুক য়াখিবী পুন্যবতি হৈঙাং কেন্দ্র এরিয়া কম্মিটি অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী সেক্রেটরিসু ওইরম্মী। মহাক্লা লৈখিদবদা অৱাবা নংহৌরবা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু ওল মণিপুর নুপী মরুপনা শরুক য়ারি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।




